# ইন্দিয়ানা দিফেন্স প্লেটফোর্মশিংদা শীজিন্নবা পার্ট ২,৮৫১ মপান্দগী পুশিনবা লেপ্পগনিঃ দিফেন্স মিনিষ্ট্রি

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ানা দিফেন্স ইক্বিপমেন্ট শাবদা চঙবা কম্পোনেন্ট ২,৮৫১ মপান্দগী পুশিল্লকপা লেপ্পবা ৱারেপ লৌখ্রে।

চহীদা লুপা ক্রোর ৩,০০০ রোম সেভ তৌনবা পান্দমদা পোৎশকশিং অদু মপান্দগী লৈবা লেপ্পবা ৱারেপ লৌবনি হায়রি। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা নোটিস থোক্তুনা সব-সিষ্টেমশিং অমসুং এসেমব্লিশিং লোয়ননা সব-এসেমব্লিশিং, কম্পোনেন্টশিং অমসুং সব-এসেমব্লিশিং ইন্দিজেনাইস তৌনবা খঙহনখি। মসিনা দিফেন্স ইক্বিপমেন্ট পুথোকপদা মীপান তাংদবা ঙমহন্দুনা দিফেন্স পব্লিক সেক্টর য়ুনিটশিংগী ইম্পোর্ট তৌবা হন্থহল্লগনি। ঙাক-শেননগী পোৎলমশিং শাবদা মপান্দগী পার্টশিং পুশিল্লকপা হন্থহন্দুনা মতমগী মতুং ইন্না মীপান তাংদবা ঙমহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা পোজিটিভ ইন্দিজেনাইজেসন লিষ্ট অমা শেল্লে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্স প্রদক্সনদা খঙহনখি।



লিষ্ট অদুদা হান্নদগী ইম্পোর্ট তৌরকপা আইটেম ২,৫০০ অমসুং মথং চহী অহুমগী মনুংদা ইম্পোর্টতৌরকপা য়াই হায়না থাজবা আইটেম ৩৫১ য়াওরি। আইটেমশিং অসি শুপ্পগী ইন্দিয়ন ইন্দষ্ট্রিনা পুথোক্কদবনি হায়রি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়, আত্মানিরভার ইনিসিএটিভ (সেল্ফ-রিলাইএন্ট), অসিনা চহী খূদিংগী ফোরেন করেন্সিদা চাউরাক্লা লুপা ক্রোর ৩,০০০ লোম কনবা ঙম্লগনি।

দিফেন্স মেন্যুফেকচরিংগী লমদা মীপান তাংদনবগীদমক্তা দিপার্টমেন্ট ওফ মিলিটরি এফেয়র্সনা মমাঙদা এম্যুনিসন, ৱেপন্স, প্লেটফোর্মশিংগী ওইবা পোজিটিভ ইন্দিজেনাইজেসন লিষ্ট অনী থোকখি।

আত্মানিরভার (সেল্ফ রিলাইএন্ট ইন্দিয়া) হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাঠ সিংহনা থা অসিদা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়ানা দিফেন্স টেক্নোলোজিগী মতাংদা অতোপ্পা লৈবাক অমত্তগী মপান তাংদুনা লৈবা য়ারোই। মসিগী মরু ওইবা মরমদি লৈবাক অসি মপাঙ্গল লৈবা জিওগ্রাফিকেল লোকেসননা মরম ওইদুনা সিক্যুরিটি থ্রেট মায়োক্নরিবা লৈবাক অমনি।

ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকপা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ন চেম্বর্স ওফ কমর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী ৯৪শুবা চহীগী মীফমদা রাজনাঠ সিংহনা 'ইন্দিয়া বিয়োন্দ ৭৫' হায়বা হীরমদা ৱা ঙাঙখিবনি।

দিফেন্স মিনিষ্টরগী অপাম্বদি ইন্দিয়াবু তুংদা ৱর্ল্ড ক্লাস দিফেন্স মেন্যুফেকচরিং সেন্টর ওইহনবনি। মহাক্না ইন্দিয়ানা আর্মদ ফোর্সেস মোদর্নাইজ তৌবা অমদি আত্মানিরভার দিফেন্স ইন্দষ্ট্রি লিংবদা মীৎয়েং থমগদবনি হায়খি।

# এফ আই আরশিং হন্দোক্ত্রিফাওবা দোক্টরশিং প্রোটেষ্ট মখা চত্থগদৌরি

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

দেল্লীগী রেসিদেন্ট দোক্টরশিংনা মখোয়গী দিমান্দশিং তকশিল্লদুনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা প্রোটেষ্ট মখা চত্থখ্রে। মখোয়গী দিমান্দশিং অদুদা মখোয়গী মায়োক্তা ফাইল তৌবা এফ আই আরশিং ৱিথদ্রো তৌ হায়বা য়াওরি।

প্রোটেষ্ট তৌরিবা দোক্টরশিংগী দেলিগেসন অমগা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টরগা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ৱারী শানবদা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদে। এন ঈ ঈ টি-পি জি ২০২১ গী কাউন্সেলিং থীন্থবগী মতাংদা রেসিদেন্ট দোক্টরশিংনা নুমিৎ ১৩ প্রোটেষ্ট চত্থরকপনি। লৈবাক শীন-থুংনা চত্থরিবা প্রোটেষ্ট অদুবু লুচিংলিবা ফেদরেসন ওফ রেসিদেন্ট দোক্টর্স এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (এফ ও আর দি এ)না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, প্রোটেষ্ট তৌরিবা রেসিদেন্ট দোক্টরশিংগী মায়োক্তা পুলিসনা এফ আই আর ফাইল তৌখি। আর দি এগী মীহুৎশিংগী মরক্তা খন্নরবা মতুংদা মখোয়গী দিমান্দশিং থুংহন্দ্রিফাওবা খোঙজং অদু মখা চত্থনবা ৱারেপ লৌখি।

মীফম অদুগী নোলেজ লৈবা আর দি এগী সোর্ছ অমনা হায়, জনুৱারী ৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা মথংগী হীয়ারিংদা রিপোর্ট সবমিট তৌরগনি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টরনা মীফম অদুদা থাজবা পীখিবগা লোয়ননা আর দি এ পুন্নমক্না ষ্ট্রাইক অদু লেপ্পগী ৱাফম য়াখি। মিনিষ্টরনা কাওন্সেলিংগী তারিখশিং থুনা লাউথোকপা ঙম্বা য়াই হায়নসু মীফম অদুদা থমখি।

তৌইগুম্বসুং আর দি এগী মীহুৎ খরনা প্রোটেষ্ট অদু দেল্লী পুলিসনা এফ আই আরশিং ৱিথদ্রো তৌবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিৎকী প্রোটেষ্ট মনুংদা মখোয়না উৎখিবা থৌওং অদুগা মরী লৈননা এপোলোজাইস তৌদ্রিফাওবা শাংদোক্লবগী ফিরেপ লৌখি। মমৈথংদা পুন্নমক্না প্রোটেষ্ট অদু মখোয়গী দিমান্দ পুন্নমক থুংহন্দ্রিফাওবা লেপ্তুনা চত্থবা হায়না য়ানখি।

মেদিকেল অমসুং ইমর্জেন্সি সর্ভিসশিং লেপ্পা য়াওনা প্রোটেষ্ট অদু নুমিৎ ১৩ নি শুরকপগা লোয়ননা দেল্লীগী হোস্পিটালশিংদা পেসেন্ট কেয়রগী থবক্তা চৈথেং চাওনা নংখি।

প্রোটেষ্ট অদুগী মরু ওইবা মফম ওইরিবা সিটি অসিগী মফরজুং হোস্পিটাল অসি হৌজিক শুপ্পগী সিনিয়র দোক্টরশিংনা ও পি দি অমসুং ইমর্জেন্সি সর্ভিসশিং চল্লাইরি। হোস্পিটাল অসিদা সিক্যুরিটি পর্সনল মরাং কায়না দিপ্লোই তৌরিঙৈদা জুনিয়র দোক্টরশিংনা সর্ভিসশিং বোইকোট তৌরিবনি। অদুম ওইনমক কোভিদ কেস ৱাংলকপদগী য়েল্লো এলর্ট লাউথোকখ্রবা মতুংদা দোক্টরশিংনা কোভিদ কাঙলোনশিং ঙাক্লগা প্রোটেষ্ট মখা চত্থনবা থৌরাং তৌরি।

# দিজিটেল লাইফ সর্টিফিকেট মেকানিজম হৌদোকখ্রে

ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

ওরিষ্যগী পেন্সনরশিংগী আই-দেন্টিটি ভেরিফাই তৌবগা লোয়ননা লাইফ সর্টিফিকেটশিং সবমিট তৌনবগী ওনলাইন সর্ভিস অমা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর নবীন পটনাইকনা লোঞ্চ তৌখ্রে।

পটনাইকনা সিষ্টেম অদু ভার্চ্যুএল ওইনা লোঞ্চ তৌখি। সিষ্টেম অসিদা নত্তনা মহাক্না নৌনা রিক্রুট তৌবা ওরিষ্য সিভিল সর্ভিসেসকী ওফিসর ১৫৩গী ওরিএন্টেসন প্রোগ্রামসু লোঞ্চ তৌখি। অনৌবা সিষ্টেম অসিনা পেন্সনরশিংবু এ আইদা য়ুম্ফম ওইবা ভিদিও ভেরিফিকেসন প্রোসেস অমা শীজিন্নরগা আইদেন্টিফিকেসন অমসুং লাইফ সর্টিফিকেট সবমিট তৌবা য়াহনগনি।

চীফ মিনিষ্টরগী মতুং ইন্না, পেন্সনরশিংনা গভর্ণমেন্ট ওফিস অমত্তা চৎতনা মখোয়গী আইদেন্টিটি অমসুং লাইফ সর্টিফিকেটশিং দিজিটেল ওইনা সবমিট তৌবা য়াহনগদবনা মসি মখোয়দা য়াম্না কান্নগনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা পেন্সনরশিংনা মখোয়গী ফোনশিং শীজিন্নবসু য়াগনি।

ফেসিলিটি অসিমক ষ্টেট অসিগী 'মো সেভা কেন্দ্র' পুন্নমক্তা ওফর তৌরগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। ওরিষ্যনা দিজিটেল পেন্সন সর্ভিস ওফর তৌবা অহানবা ষ্টেটনি হায়নসু পটনাইকনা ক্লেম তৌখি।

চীফ মিনিষ্টরনা অনৌবা ওফিসরশিং অদুবু তরাম্না ওক্লদুনা হায়খি, সিভিল সর্ভিস হায়বসি চুম্নগী থবক অমদগী হেল্লি। নখোয়না লৈবাক অসিবু অমসুং মীয়াম্বু থৌগল তৌগদৌরিবনি। নখোয়না কৈদৌঙৈদসু মীচম মীয়ামগী থাজবা মাঙহল্লোইদবনি।

# ঈ দিনা অনিল দেশমুখ অমদি মচানুপাশিংগী মায়োক্তা চার্জ সিট ফাইল তৌখ্রে

মুম্বাই, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট (ঈ দি)না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হান্নগী ষ্টেট হোম মিনিষ্টর অনিল দেশমুখ অমসুং মহাক্কী মচানুপাশিংগী মায়োক্তা শেল চাবগী কেসকা মরী লৈননা সপ্লিমেন্টরি চার্জ সিট অমা ফাইল তৌখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লামায় লিশিং কয়া পানবা চার্জ সিট অদু স্পেসল পি এম এল এ কোর্টতা ফাইল তৌখি অমসুং দেশমুখপু শেঞ্জা-থুমজা অমসুং মনি-লোন্দরিং তৌবগী মরাল শীখি।

নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী সিনিয়র লীদর অমা ওইরিবা দেশমুখ মুম্বাইদা লৈবা ঈ দিগী ওফিসতা চৎখিবা মতুং মথংগী নুমিৎ নভেম্বর ২দা ফাখি। মতম অদুদগী মহাক কষ্টদিদা লৈরকখি।

কেস অদুদা একুজ অমা ওইরিবা হৌজিক্তি দিসমিস তৌখ্রবা পুলিসমেন সচিন ভাজেনা খোমখিবনি হায়বা ৱানোম শেলশিং লোন্দরিং তৌবদা দেশমুখনা খ্বাইদগী হেন্না কান্নখি হায়না ঈ দিনা ক্লেম তৌখ্রবনি। ঈ দিনা মহাক্কী মচানুপা অনী হরিসিকেস অমসুং সলিলসু কেস অদুদা পনখি।

হৌখিবা ওগষ্টতা ফাইল তৌখিবা মমাঙগী চার্জসিট অদুদা ঈ দিনা দেশমুখকী প্রাইভেট সেক্রেটরি সঞ্জিভ পালান্দে অমসুং পর্সনল এসিষ্টেন্ট কুন্দন শিন্দে, দেশমুখ ফেমিলিনা চল্লাইবা নাগপুরদা লৈবা ট্রষ্ট অমা য়াওনা একুজ ১৪গী মিংশিং পনখি। ঈ দিনা হায়রি মদুদি, করপসনদা লাকখিবা শেনফমশিংবু সি এস আর এক্টিভিটিশিংদা শীজিন্নরবগী দোনেসনশিং ওইনা উহন্দুনা লোন্দরিং তৌখিবা কম্পনি ২০ হেনবগী থবকশিং দেশমুখকী ইমুংনা কন্ট্রোল তৌই নৎত্রগা মেনেজ তৌই।

ৱাফমশিং অসিবু য়ানীংদবা উৎপগা লোয়নননা দেশমুখনা ক্লেম তৌরি মদুদি, শেনফম অদু লোন অমদি অতৈ কম্পনিশিংনা পীরকপা সী এস আর ফন্দশিংনি। সপ্লিমেন্টরি চার্জ সিট অদুদা দেশমুখ, হান্নগী মুম্বাই পুলিসকী কম্মিস্নর পরাম্বীর সিংহ, এক্স-চীফ সেক্রেটরি সিতারাম কুন্তে, আই পি সী ওফিসল খরা, পুলিস ওফিসলশিং অমসুং কেস অদুগী অতৈ ৱিটনেসশিংগী ষ্টেটমেন্টশিংগা লোয়নননা প্রোব অদুদা থেংনরকপা তোঙান তোঙানবা দোক্যুমেন্টশিং অমসুং ইভিদেন্স য়াওরি।

# প্রোটোকোল ঙাক্নবা সেন্টরনা সী এ পি এফতা খঙহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সেস (সী এ পি এফ)তা কোরোনাভাইরস কেস ১৯ থেংনবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা মীপাইবা পোকহনখিবগা লোয়নননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা মখোয়দা কোভিদ প্রোটোকোল চেকশিন্না ইন্নবা দিরেক্সন পীখ্রে।

সী এ পি এফকী সোর্ছশিংনা হায়, কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ভেরিএন্ট ওমিক্রোনগী মশিং ৱাংখৎলকপদগী সী এ পি এফ খূদিংমক্তা সোসল দিষ্টেন্সিং মেন্টেন তৌনবা, মাস্ক শোয়দনা উপ্পবা অমসুং য়ুনিট অমসুং ফিল্ড ফোর্মেসন খূদিংমক্কী ক্রুপরশিং রেন্দম টেষ্টিং তৌনবা খঙহনখ্রে।

লাইচৎকী ফিভম কনশিল্লকপদা মদুবু থেংননবা হেল্থ ফেসিলিটিশিং অমসুং আইসোলেসন সেন্টরশিং শেম-শানবা ফোর্স অসিদা খঙহনখ্রে।

দিসেম্বর ২৮দা ইস্যু তৌবা খ্বাইদগী নৌবা দেটা মতুং ইন্না, হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)তা কেস মাপন থেংনখি। সেন্ট্রেল রিজর্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ)তা কেস মঙা, সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিএল সিক্যুরিটি ফোর্স (সি আই এস এফ)তা কেস অহুম, সাশাস্ত্রা সীমা বাল (এস এস বি)দা কেস অনী থেংনখি। ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি), নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ) অমসুং নেসনল সিক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি)দা কেস অমত্তা থেংনদ্রি।

# ঈ সী আইনা মীফম পাঙথোকখ্রে

লক্ষ্ণৌ, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

কুমজা ২০২২ দা পাঙথোক্ক-দৌরিবা উত্তর প্রদেশ এসেমব্লি মীখলগী শেম শাবগী ফিভম খঙদোক্নবা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর সুশিল চন্দ্রনা লুচিংবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই)গী ওফিসলশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লক্ষ্ণৌদা সিনিয়র ওফিসলশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা য়ু পিগী চীফ সেক্রেটরি, দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিং, পুলিস কম্মিস্নরশিং, দি আই জি শিং, এদিসনল চীফ সেক্রেটরি (হোম) অমদি অতৈ ওফিসল কয়ানা শরুক য়াখি। ইলেক্সন কম্মিসনগী দেলিগেসন অদু মীখল পাঙথোক্লগদবা ষ্টেট অসিদা নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতা লাক্লিবনি।

পোল বোদি অসিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা মরু ওইবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী দেলিগেসনশিংগা উনখি। পার্টি খূদিংমক্না লেপখিবা মতমদা মীফম পাঙথোকপগী ৱাফম শৌগৎখি অমসুং মখোয় খূদিংমক্না মীখল য়ৈথোকপগী মায়োক্তা লেপখি। কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিনা অপূনবা সিট ৪০৩গীগী মনুংদা বি জে পিনা ৩১২ ফংখিবনি।

# ওমিক্রোন কেস মশিং দেল্লীনা ইহেন হেল্লে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াদা য়াম্না লৌনগনবা কোভিদ ভেরিএন্ট ওমিক্রোন কেস মশিং ৭৮১ শুরে অমসুং মীওই ২৪১ দিসচার্জ তৌখ্রে। পূন্না কেস ৭৩৮গা লোয়নননা নেসনল কেপিটেলনা ওমিক্রোন কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্মী। হৌজিক ফাওবদা কেস ১৬৭ কা লোয়নননা মহারাষ্ট্রানা ভেরিএন্ট অসিগী কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা অনীশুবা ষ্টেট ওইরে।

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা য়ুমশকৈশগী অয়ূক্তা ফোঙদোরকখিবদা, হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি ২১দা ওমিক্রোন ইনফেক্সন শন্দোক্লে। দেল্লীদা দিটেক্ট তৌখিবা ওমিক্রোন কেস ২৩৮গী মনুংদা ৫৭ দিসচার্জ তৌখ্রে। মিনিষ্ট্রি অসিগী দেটা মতুং ইন্না, গুজরাট, কেরলা, টেলঙ্গনা, রাজস্থান, কর্নাটকা, টামিল নাদু, হরয়ানা, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ওমিক্রোন কেসশিং দিজিট অনীদা রিপোর্ট তৌরি।

দেল্লীগী ইনফেক্সন নোট ০.৮৯ য়ৌখিবগা লোয়নননা নোংমদা থেংনবা কোভিদ কেস মশিং খঙহেন হেনগৎখ্রে। লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অনৌবা কোভিদ কেস ৪৯৬ রিপোর্ট তৌদুনা জুন ৪দা কেস মশিং ৫২৩ লৈখিবা মতুংদা নোংমদা থেংনবা মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা কেস মশিং ওইখি। হেল্থ দিপার্টমেন্টকী বুলেটিন মতুং ইন্না হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা দেল্লীদা কোভিদকা মরী লৈনবা মীওই ১ শিখি। ওমিক্রোন ইনফেক্সন থুনা শন্দোরকপদগী অপূনবা কোভিদ কেস মশিং য়ামখৎলকপনি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী অনৌবা কোভিদ কেস মশিং ৯,০০০ হেনখি। মমাঙগী চয়োলদদি নোংমদা থেংনবা লৈবাক অসিগী অপূনবা কেস মশিং ৭,০০০ রোম ওইখি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা চয়োলগী ওইবা ইপিদিমিওলোজিকেল অপদেটতা ওমিক্রোন ভেরিএন্টনা ঐখোয়দা পীরিবা রিস্ক অসি হৌজিকসু য়াম্না ৱাংলি হায়না ৱার্নিং তৌখি। গ্লোবেল হেল্থ বোদি অসিনা হায়রি মদুদি ওমিক্রোননা লৈবাক কয়াদা কোভিদ কেস থুনা হেনগৎহল্লে।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; NAMBOL

**Ref. Mutation Case No. 382 /SDC/NBL of 2021**

Raj Khomdram S/o Kh. Surkumar Singh
of Lourembam Maning Leikai ... Petitioner

-Vs-

Khomdram Nupamacha Singh S/o (L) Kh. Angaton Singh
of Lourembam ... O.P.

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE

Dtd. 29-12-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 11-Lourembam, Patta No. 9 (Old) 233 (New) Dag No. 113 an area of 0.95 acres of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লুগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Nambol

HL-P/1115/30

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

**Ref. Mutation Case No. 648/SDC/IW(P) of 2021**

1. Soraisham Tombi Singh S/o (L) Boyai Singh of Sagolband Khamnam Leirak
2. - Do - Ojit Singh S/o (L) - Do - of - Do -
3. - Do - Kriti Singh S/o (L) - Do - of - Do -
4. - Do - Premjit Singh S/o (L) - Do - of - Do -
5. - Do - Jasobanta Singh S/o S. Saratchandra Singh - of - Do -

- Petitioners

-Vs-

Late Soraisam Boyai Singh S/o (L) Chaobhal Singh
of Lamjaotongba - Deceased Pattadar

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE

29-12-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না পাউচেগী খূত্থাংদা মরী লৈনবশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি। ই: ও: পাৎশোই তহসিলগী খুন ৮৩/লমজাওতোংবগী পাট্টা নং ১৫২ (অরিবা), ৩৮১ (অনৌবা) গী দাগ নং ২৭৬ গী এরিয়া ০.১১৩৪০ একর, ইংখোলগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি নং (২) অমসুং (৫) অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপাগী অমদি মপুবোক্কী স্বত্তদা দাগকী মনুংদগী এরিয়া .০৪০০০ অমসুং .০৪০০ একর অদুগা লেমহৌবা এরিয়া .০৩৩৪০ একর অসিনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি নং (১), (২), (৩), (৪) অমসুং (৫) গী মমিংদা মথংশীৎনা নমা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ০৭/১/২০২২ ইংগী অয়ুক পূং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজররোই অমদি কোর্টকী হৌনবী হুকুম চত্থরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/1111/30

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

**Ref : Mut. Case No. 400/SDC/IW (H) of 2021**

1. Leiphrakpam Premika Devi W/o Pukhrambam Robert Singh of Langthabal Lep (Area 0.0995 acre on the Southern portion)
2. Pukhrambam Rocky Singh S/o (L) Pukhrambam Manaoton Singh of Langthabal Lep (Area 0.0995 acre on the Northern portion)

- Petitioners/দংকারী

-Vrs-

Late Pukhrambam Manaoton Singh S/o Late Dhananjoy Singh
Langthabal Lep - O.P./বিবাদি

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE

Dated/Hiyangthang, the 29th Dec, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল ৭৬ নং-লংথবাল লেপ অনৌবা পাট্টা ৪৮৬/৬০৫ নং হাল দাগ ১০০৮/১৪৫৪ নং গী মোট এরিয়া ০.২৬৫ একর চাওবা ইঙ্খোলগী কো-পাট্টাদার পুখ্রম্বম মনাওতোন সিংহ নং-১ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: কো-পাট্টাদারগী মমৌ অমদি মচানুপা/দংকারীশিংনা মখোয়গী মমিংদা কো-পাট্টাদারগী শরুক এরিয়া ০.১৯৯ একরগী লম মখৈ নামজারি তৌবীয়ু হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। পাট্টাগা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা ৬-০১-২০২২ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আপত্তি তৌরবা য়াগনি। পীরিবা নুমিৎ অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাররোই। হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/1114/30

**[illegible]/খোঙ হাম্বা মতমদা সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা অকনবতা ওইনা হাম্বগা অমাংথোঙদা য়াম্না নুংঙাইতবা, অমাংথোঙ ময়াদা চনম মরূমুক চাওবা অনী পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ তঙ্খায় অমসু পোমথোকপা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা অমদি শাগৎলগা লৈবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, শা-ঙা চারগনা হেন্না ঈ কাপথোরকপা হেনবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ তাখিবনা হকচাংদা ঈ ৱাংশিল্লকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎলকপা মতমদা কোক ঙাওবা, কল্লাক মরী নাবা অমদি খূবোম অসিসু নাবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অকনবতা ওইনা হাম্লগা অমাংথোঙদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বা মতমদা কোঙ্গোল অমদি মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা চনম মরূমুক চাওবা অনী পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথেঙ তঙ্খায় অমসু পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিল্লগা য়াম্না নুংঙাইতবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু য়াম্না চিকপা, অমাংথোঙদা য়াম্না শাগৎলগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদা চেখায়বা অদু ফনবা হীদাক শীজিন্নরবসু ওইশিল্লু য়াদবা, অমাংথোঙ ময়াদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খ্বাঙ নাবা, নময়াঙ মরিনসু নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **W. Mani Singh**
Bamon Leikai

HL-B/7385/30

OFFICE OF THE
RURAL ENGINEERING DEPARTMENT (RED)/
MANIPUR STATE RURAL ROADS DEVELOPMENT AGENCY (MSRRDA)
4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, North AOC Imphal, Manipur

--------

[illegible] / NOTIFICATION

*Imphal, the 28th December 2021*

In continuation of notification no. 1/1/2021-RED/307 dt. 12.11.2021, it is hereby inform to all the applied candidates for recruitment of Section Officer-I (Civil) that the admit card will be available from 29th to 31st December 2021during the office hour. The written test for the said post is scheduled to be held on 3rd January 2022 at the D.M University of Arts & Commerce from 11.00 am to 2.00 pm.

Further, 58 (fifty eight) nos. of additional post vacancy of Section Officer-I (Civil) is increased vide cabinet decision which will be followed by the service recruitment rules. Those candidates who does not apply in the previous advertisement may apply and submit the same from 30th to 31st December 2021. The application form will be available during the office hour and the details of the advertisement and notification regarding the said examination will remained same as per notification No. 1/1/2021-RED dated, 12th November 2021.

Sd/- **Pantishing Thaimei**
Chief Engineer cum EO
RED(MSRRDA)

HL-B/7387/29,30,31

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE**
(Near 2nd MR Gate, AT Line, Imphal)

[illegible] / NOTIFICATION

Imphal, the 28th December, 2021.

*No. 7/90/2018-SW (MSK):* In continuation of this Department's Notification of even number dated 20/11/2019, it is hereby notified that the interview for all the shortlisted candidates who had applied for engagement of contractual staff for the following posts under Mahila Shakti Kendra (MSK) will be held at the Directorate of Social Welfare, Government of Manipur as per the following schedule.

**SPECIAL DPC:**

| Sl. No | Name of Post | Date & Time of Interview |
| --- | --- | --- |
| 1 | State Project Co-ordinators, Research Officer, Training & Research Officer, Gender Specialist, Assistant, Women Welfare Officer, District Coordinator | 30/12/2021 (10.00 am to 11.30 am) |

**NORMAL DPC:**

| Sl. No. | Name of Post & Roll No. | Roll No | Date & Time of Interview |
| --- | --- | --- | --- |
| 1 | Women Welfare Officer (Tamenglong) | 001 to 009 | 30/12/21 (1.30 pm to 4.30 pm) |
| 2 | Women Welfare Officer (Ukhrul) | 001 to 005 | -do- |
| 3 | Women Welfare Officer (Chandel) | 001 to 003 | -do- |
| 4 | Women Welfare Officer (Imphal West) | 001 to 010 | -do- |
| 5 | Women Welfare Officer (Senapati) | 001 to 008 | -do- |
| 6 | Women Welfare Officer (Imphal East) | 006 to 020 | 31/12/2021 (10.00 am to 3 pm) |
| 7 | Women Welfare Officer (Thoubal) | 001 to 010 | -do- |
| 8 | Women Welfare Officer (Churachandpur) | 001 to 010 | -do- |
| 9 | Women Welfare Officer (Bishnupur) | 001 to 007 | -do- |
| 10 | District Co ordinator (Ukhrul) | 001 to 003 | 5/01/2022 (10.00 am to 3.30pm) |
| 11 | District Co ordinator (Tamenglong) | 001 | -do- |
| 12 | District Co ordinator (Senapati) | 001 to 005 | -do- |
| 13 | District Co ordinator (Imphal East) | 002 to 011 | -do- |
| 14 | District Co ordinator (Churachandpur) | 001 to 005 | -do- |
| 15 | District Co ordinator ( Thoubal) | 001 to 007 | -do- |
| 16 | District Co ordinator (Chandel) | 001 to 005 | -do- |
| 17 | District Co ordinator (Bishnupur) | 001 to 005 | -do- |
| 18 | District Co ordinator (Imphal West) | 001 to 014 | -do- |

Further, the **interview for the post of State Resource Centre for Women (SRCW)** will also be held at the Directorate of Social Welfare as per the following schedule given below:

| Sl. No. | Name of Post | Roll No. | Date & Time of Interview |
| --- | --- | --- | --- |
| 1 | State Project Co-ordinator | 002 to 011 | 6/01/2021 (10.00 am to 3 pm) |
| 2 | Training and Research Officer | 001 to 003 | -do- |
| 3 | Assistant | 001 to 004 | -do- |
| 4 | Specialist Gender | 003 to 009 | -do- |
| 5 | Research Officer | 001 to 007 | -do- |

Candidates shall report at the Directorate of Social Welfare along with relevant documents at 9:30 am on the day of interview.

*-Sd/-*
Director (Social Welfare), Manipur

HL-B/7389/29,30